**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-07-2025)**

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-প্রোটেক্টেটেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা খুন্দাশিল্লম্বা খুলশিং নিয়মগী ৱাংমদা শক খঙলম্বা য়াফম থোক্তে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরদা কুমজা ১৯৮৮ দা চুরাচান্দপুরগী এস.দি.সিনা প্রোটেক্টেট ফোরেষ্ট এরিয়া মনুংদা আইন কায়না খুল ৩১ লৈরম্বা থেংনরে হায়না ফোংদোকখি। কুমজা ২০০৮ দা মতম অদুগী কন্মিস্নার-পি.সি. লুমকুংঙানা মোরেগী স্মোল টাউন্দ কমিতিগী মনুংদা আইননা য়াদনা চোংথোরকপা খুল মঙা মশক খঙলমখি। মহাকা হায়-রাজ্য সরকারগী রুলস ওফ দা বিজিনেসকী মতুং ইন্না অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট, সব-দিভিজন, খুল অমদি বাউন্দরিগা মরী লৈনবা থবকশিং রিভিন্যু দিপার্টমেন্টনা তৌগদবনি হায়রি। অসিগুম্বা নিয়মশিং অসি থুগায়দুনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী দি.এফ.ও, পি.সি.সি.এফ অমদি এস.দি.সি. অমসুং এস.দি.ও. খরনা মখোয়বু হেক্তমক মশক খঙই হায়না অয়াবা পীরম্বা অসি শক্তিবু লান্না শিজিন্নবনি অমসুং মনিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মরু হুল্লম্বনি হায়না লৌফম থোকই।

**এময়ু (এল)ঃ** মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মদা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্র সিংহনা অহানবা নুপীলাল গেল্লেরি ১৯০৪ শঙ্গাখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মনা শিন্দুনা ম্যুজিয়ম অসিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ ফোটোগ্রাফিক

অরক্রাইৱস খরা নৌনা হাপচিনবগা লোয়ননা আর্কিওলোজিকেল ফোসিল খরসু থমখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রিজনেল (ন্যুজ) য়ুনিট অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা হায়-অঙনবা মতমদা হৌখিবা নুপীশিংদা ভোট থাদবগী হক ফংনবা ইহৌ অসি নুপীনা চথখিবা সমাজ অমদি আইনগী লমদা অহোংবা পুরকপা ঙমখিবা ইহৌশিংনি। মনিপুরদসু নুপীশিংনা অহানবা অমদি অনিশুবা নুপী লালদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী হক ফংনবা য়াওনা মীয়ামগী য়াইফনবা লমশিংদা চথবা ইহৌদা চাউনা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

ম্যুজিয়মগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী জোগেন্দ্রজিৎনা হায়-হৌখ্রবা পুৱারীগী থৌদোকশিং অমদি মনিপুরগা মরী লৈনবা ৱারী কয়া ম্যুজিয়ম অসিদা য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা মফম অসিদা থল্লিবা পুৱারীগা শাগোন্নরবা পোৎলমশিং উরবা মতমদা মদুনা খুদম চাংদম ওইদুনা লাইনা খঙবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ম্যুজিয়ম অসিনা ভারত্তা নত্তনা মীরৈবাক্তগী লাকপা দিলিগেটশিংদা লমদমসিগী পুৱারী অমদি অতোপ্পা মশকশিং তাকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

থৌরম অদুদা, অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্র সিংহনা হায়-ম্যুজিয়ম অসিনা অহানবা নুপী লালদা শরুক য়াখিবা নুপীশিং অদু খঙবা ঙম্বতা নত্তনা মখোয়না লৌরম্বা থৌদাংশিং নৌহৌননা নীংশিংহনবা ঙম্লগনি। অসিগুম্বা ম্যুজিয়ম অসি হাংদোকপগীদমক ভাইস চাঞ্চেল্লরনা মনিপুর য়ুনিভরসিতি সেন্ত্রেল ম্যুজিয়মগী ওজাশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা, য়ুনিভরসিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনসিয়েন্ট হিষ্টরি এন দ আর্কিওলোজিগী হেদ-প্রোফেসার ও. রঞ্জিৎ সিংহ, হিষ্টরি বিভাগকী হেদ-প্রোফেসার চুংমৈজাই মেথিউ এম.কে অমদি স্কুল ওফ সোসিয়েল সাইন্সকী দিন

প্রোফেসার-মেমচা লোইতোংবম শরুক য়াখি।

**নোনে (এল)ঃ** নুঙবা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. দিংগাংলুং গাংমৈ অমসুং নোনেগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: আজিন মরিংমৈনা খৌপুমদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্টরগী ফিভম হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা মতম শাংনা শাবা লোয়শিন্দনা লৈরক্লবা ষ্টাফ ক্বাটর অথুবা মতমদা শাবা লোয়শিন্নবা মরী লৈনবা ঠিকাদারশিংদা পাউতাক পীখি।

**খৌপুম (এল)ঃ** নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-সরতচন্দ্র অরোজ্না ঙসি ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা খৌপুমদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মফম অদুদা, দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা এম.এল.এ. দিংগাংলুং গাংমৈগসু উন্নদুনা অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং পীবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা জিলা থাক্কী ওফিসিএলশিংনা ঈশিং ঈচাও অদুনা খৌপুম তম্পাক্তা মাঙ তাকহনখিবশিংগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়না পাউদমখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা পীবা য়াবা তেংবাংশিংসু পীরি হায়না দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা এম.এল.এদা পাউদমখি। খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোরকখিবা অদুদা য়ুম ২২ য়াওনা লৌফম হেক্তর ১০০ গী মথক্তা অমাং অতা থোকখি। য়ুমদা য়োকপা শা-ষন ১৩ শিখিবনি।

**গভনর (এল)ঃ** ইষ্টর্ন কম্মান্দ লেফটনেন্ট জেনরেল-রাম চন্দর তিৱারি অমসুং রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ্য ভবনদা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

রাজ ভবন ইম্ফালগী গভরনরস সেক্রেটরিয়েটনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-উন্নবা অদুদা জি.ও.সি. স্পিয়ার কোর লেফটনেন্ট জেনরেল-

অভিজিৎ এস. পনধারকর অমসুং আই.জি.এ.আর. সাউথ মেজর জেনরেল-রবরুপ সিংহসু য়াওখি। লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অদুনা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমদা ওইরিবা শান্তি রক্সাগা ফিভমশিংগী মতাংদা কুপা পাউদমখি।

১৩৪ শুবা এদিসন দুরান কপ ২০২৫ গীদমক শেম শারিবশিংগী মতাংদসু লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অদুনা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

অমরোমদা, রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী জেনরেল কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। একাডমী অসিগী ষ্টেন্দিং কমিতি অমা শেমনবা, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং লিটরেচরবু লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিং অমদি মালেমগী মফম কয়াদা হেন্না খঙহন্নবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি।

**জেদিয়ু (এল)ঃ** রাষ্ট্রাপটি সাসন মনুংদা লোকেল বোদিগী মীখল পাংথোকপীনবা রজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাদা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে.দি.য়ু) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা মেমোরেন্দম পিশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

মদুগী তুংদা পেলেস কম্পাওন্দদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা পাংথোকপা পাউগী মীফম অমদা জে.দি.য়ু মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিমযুম বিরেননা হায়-রাষ্ট্রাপটি সাসন লৈরিঙৈ মনুং অসিদা পনচায়েট রাজ ইষ্টিট্যুসনশিং- গ্রাম পনচায়েট, জিলা পরিষদ, অরবান লোকেল বোদিশিং-ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং নাগর পঞ্চায়ট অমদি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখলশিং গনন্ত্রিক ওইবা মওংদা য়ারিবমখৈ থুনা পাঙথোকপীনবা রাজ্যপালদা তকশিল্লল্লে। মদুদা, রাজ্যপালনসু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

ঙসি পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মনিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি নাকল অনিমক্কী মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তান্নমীন্নদুনা য়ারিবমখৈ থুনা য়াশিন্নবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনবীয়ু অমসুং লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদা হলঞ্জিলহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়বনচিংবা দাবীশিং য়াওরি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জে.দি.য়ু. নেসনেল কাউন্সিলগী মেম্বর-নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা লুরবা তানফম অসিদা রাজনিতি দল খরনা মীখলগীদমক শেম শাবগী মওংদা তৌরিবা থবকশিং অসি মতাং চাদে। মীখল পাঙথোকপা অমসুং অনৌবা সরকার শেম্বা হায়বসি শান্তি পুরক্লবা মতুংদা পাঙথোকফম থোকই।

**জিরিবাম (এল)ঃ** ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা মনিপুরগী জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা স্বাস সরভেক্সন এৱার্ড ২০২৪-২৫ গী মোস প্রোমিজিং টাউন্দগী মনা পীরক্লে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-অৱাং নোংপোক ভারতকী মনুংদা লৈবা মীশিং লিশিং ২০ গী মখাদা লৈবা অপিকপা টাউন্দ ২১ গী মনুংদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা লু-নানবগী লমদা অহানবা তারকপনি। অদুগা, লৈবাক অসিগী ওইনা অসিগুম্বা মখলগী অপিকপা টাউন্দ লিশিং ২,০৩৫ গী মনুংদা জিরিবামনা ১৭৪ শুবা মফম কনবা ঙমখিবনি। মনা অদু মহুদকী কম্মিস্নার-আর.কে. দিনেস সিংহ, মহুদকী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতম, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন-এস. শান্তি দেবী অমসুং কাউন্সিল অসিগী ইগজকিটিব ওফিসার-মোইরাংথেম সুরজিৎনা পুন্না লৌখি।

**লম্বী (এল)ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ককচিং ৱাইরি কামালা পরেংদগী খা মনিপুর কলেজ গেট ফাওবগী লম্বী শেমজিনবগী থবক ঙসি এম.এল.এ.

ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লম্বী অসি পি.ডব্লিয়ু.ডিগী মখাদা নৌনা শেমজিনবনি।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা হায়-কামালা পরেংদগী ককচিং খুনয়াই লৈকাই ফাওবগী লম্বীসু শেমজিন্নবা থৌরাং তৌরি। খোঙচৎ অদুদা শ্রী রামেশ্বরনা ককচিং ৱাইরি পনজাউ পাল্মদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংদুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগসু ৱারী শান্নখি।

**পোৎথোক ঃ** লৈবাক অসিদা লৌউ শিংউগী পোৎথোক চাথোক হেনগৎহন্নবা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা য়ুনিভরসিতি অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংনা থৱায় য়াওনা সরকারনা হায়রি।

বিহারগী পুসাদা লৈবা ডাক্তর রাজেন্দ্র প্রসাদ এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-হান্নদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা রিছার্স ইন্সটিট্যুটসনশিং অমদি এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিশিংনা পোৎথোক চাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎদুনা লাক্লিবা অসিগী মথক্তা মখা তানা চংশিনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী জিলা তরা খনগৎতুনা প্রধান মন্ত্রিগী ক্রিসি ধন ধনয়া য়োজনাগী মখাদা লৌউ শিংউগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা থৌশিল অমা পায়খৎনবা ঙরাং পাঙথোকখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দল মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

**আধার ঃ** য়ুনিক আইদেন্তিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (য়ু.আই.দি.এ.আই)না আধার দেটা বেজশিং অচুম্বশিং ঙাক্কুনা থমবা পান্দমদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী আধার নম্বর দিএক্তিভেট তৌবগী থবক পায়খৎলে।

থৌরাং অসিগী মখাদা য়ু.আই.দি.এ.আইনা রেজিষ্ট্রার জেনেরেল ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা লৈখিদ্রবা মীওই কোতি ১ লাখ ৫৫ গী রেকোর্দ লৌখৎতুনা আধার দিএক্তিভেট তৌগদৌরি।

কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়- রেজিষ্ট্রার জেনেরেল ওফ ইন্দিয়ানা য়ু.আই.দি.এ.আইদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২৪ গী অশিবা মীওই কোতি ১ লাখ ৫৫ গী রেকোর্দ পীখৎখ্রে হায়রি। মসি সিভিল রেজিষ্ট্রেসন শিজিন্নরগনি হায়রি। ভেলিদিতি য়েংলবা মতুং আধার নম্বর কোতি ১ লাখ ১৭ হৌজিমক্কী ওইনা দিএক্তিভেট তৌখ্রে। মসি সিভিল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম লৈতবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদসু মখা তানা চথখিগনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই লাখ ৬ লিশিং ৭০ গী শিবগী রেকোর্দ ফংলে অমদি মসিগী আধার নম্বর দিএক্তিভেট তৌনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। য়ু.আই.দি.এ.আইনা অনৌবা সার্ভিস ইমুং অমগী মীওই শিবগী রিপোর্ট তৌনবা থৌরাং মমাং থাদা মাই আধার পোর্তেলদা হৌদোকখ্রে।

**মীসাইলঃ** ইন্দিয়ান আর্মিনা ঙসি নোংপোক থংবা লদাগতা অকাশ প্রাইম কৌবা ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম মায় পাকা ঙসি চাংয়েং তৌখ্রে।

নুমিৎ নিনি চথখিবা চাংয়েং অদু আর্মি ইয়ার দিফেন্স অমসুং দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেনিয়ার ওফিসিএলশিংগা পুন্না পাঙথোকখিবনি।

**ফুটবোলঃ** য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১২ দগী হৌদুনা চথরক্লিবা জিলা ১১ গী চেম্পিয়ন ওইরক্লবা স্কুলশিং শরুক য়াদুনা চথরকখিবা অন্দর ফিফতি বোইস, অন্দর সভেনটিন বোইস অমদি গালর্সকী ৬৪ শুবা রাজ্য থাক্কী সুব্রোতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুমাম হুইদ্রোম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা লাংমৈদোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**টেনিসঃ** পেরা লোন টেনিস শান্নরোই-লক্সমি জাদালানা নেসনেল টেনিস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ (দিসএবিলিতি স্পোর্টস) তা সনাগী তকমান ফংখিবগা লোয়ননা স্পিসিএল ওলিম্পিক্স ২০২৭ কী ক্কালিফাই ওইরে।